খান্বী মৈবু তরাই তরাই খঞ্জনু, মতিক ময়াই লৈরবা তাইবঙ খুল্লিং মৈনি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

চকমোম খান্বী মৈত্রেং অরাবা
মৈশুৎ মৈবা মৈ
তেক তেক থৌদু মৈ
কন্বী নাউরৈ খুনা
খোইজু তোলোং মৈ
লৈখাম ৱাইবা মৈ
শৱাং য়ুফৌ মৈ
পোইরৈ খুল্লিং মৈ
থাঙশূৎ মৈশেং মৈ
থৌদু নুংথং মৈ
পামেন তল্লা উরিংকোন খোম্নমৈ
তাইবঙ নমু পোংয়োকমৈ।

অরিবা শৈরেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক *থায়নগী শৈরেং*দা য়াওবা *মৈ* হায়না মিংথোনবা শৈরেংদগী লৌথোকপা পরেং খরনি। অদুক্কী মতিক মরিক চুম্না শৈথারম্মী। অসুক য়াম্না মতিক ময়াই লৈখ্রবা মৈবু শৈথাগে হায়বসি ঐখোয়নদি নোংমত্তসু খনখিদে। অদুবু শৈরেং অসি পারুবা মতমদা হোয়নহে হেক্তমক হায়নীংলকই। হায়নৈ, *পোক্লে মৈ শিরে মৈ।* মীওইবনা মৈ শীজিন্নবা হৌরকখিবগী ৱারীদি অদুক্কী মতিক শাংখ্রে। মীওইবগী পুৱারীদা মৈ পুথোরকপনা অমুনবা চাবা, অঙৈংবদগী ঙাকথোকপা, থামন্বা অহিংদা মঙাল পীবগী ৱাখক নত্তে। তমথীরবা শা-কৈশিংনা মৈবু কি হায়বসি মীওইবনা খঙবগা লোয়ননা শাশিং অসিনা পীরক্কদবা খুদোংথীবা কয়াবুসু মৈগী মতেং লৌদুনা ঙাকথোকপা ঙমজরম্মী। হায়রিবশিং অসিনসু লোইদে, অহিংদা নীংথমথাগী নুমিদাংদা মৈ থারগা ময়াম পুনশিন্দুনা ইকোয় কোয়শিল্লগা মৈ তিক্তুনা ৱারী ৱাতাই শানবা, ৱারী লীনবা, ফাগি-জুগাই তৌনবা কয়া অসিনা অপূনবা খুন্নাইগী মচৎ শেমগৎপদা কান্নবা পীরম্মী। থায়না মমাঙঙৈদগী হৌনা মণিপুরগী লাইনীং লিচৎ, খুন্নাইগী চৎনরোল, শেন্মীৎলোন অমদি অতৈ অতোপ্পা হীরমশিংদা মৈগী মফম পাক চাউনা কন্দুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। অদুঙৈ পোইরৈতোন অমদি লৈমা লৈনাউতাবীনা খুন্থোরকপদা মৈরিক মৈজাও য়াইওইমৈ তাইবঙ খুল্লিংমৈ পুরকখিবগী ৱারীসু লৈ। অন্দ্রোগী মৈ ঙসি ফাওবা মুৎপা নাইদনা ঈরাৎ থৌনিদুনা লৈরি। য়েলহৌঙৈগী ওইবা মৈতৈগী চৎনবীদা অঙাং অমগী ইপান থাবদা য়াংকোক মথক্তা অঙাং অদু হাপ্লগা অমাইবীনা মৈ মথক্তা কোয়না লৈনা উংবগী মতাং য়াওই। নাহুৎ নারেং তন্বা মতমদা মৈ থারগা চেঙ থোইদিং য়াওবা পোৎলমশিং মৈদা কৎতুনা ঈরাৎ থৌনিজৈ। মমাঙঙৈ মতমদদি মৈতৈ য়ূমজাও খুদিংমক্তা ফুঙ্গা লাইরুগী মফম থল্লম্মী। ফুঙ্গা লাইরুদা মৈনা লেঙদনা লৈবনা তিন শিৎচিনবনচিংবা অমোৎ অকায় লংশিনবা তৌহৈদে হায়বসি ইমা ইমোইনুগী লাইচৎলোন্দসু য়াওবগা লোয়ননা থাজনবী অসিবু চেৎনা লুনা লৌনৈ। ইমুং অমগী মচা মশুশিংবু চিখোন নাউখোন্দুনা থন্বীবা ফুঙ্গা লাইরুগী মৈ অদু ঙসিগী চাওখৎলবা য়ূমশা কৈশা লাকখিবগা লোয়ননা মৃৎশিল্লকপগী ফীভমদা লৈরে। কনাগুম্বা অমগী অনৌবা য়ূম অমা শাবদা শঙ্গাবা নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি ফুঙ্গাগী মৈ মৃৎপা য়াদে হায়বসি হৌজিকসু অদুম্মক লেঙদনা লৈরি।

উমং লাই হরাউবনচিংবা লাইনীং লাইশোনগী থৌরমশিংদা মৈরানা য়াওদবা মফম্বু লৈরিব্রা? কনাগুম্বশিংনা থবক চথোক্লুবদা খুদোংচাদবগী থেংদোকখিদুনা নুমিদাং ওইখ্রবদি মখোয়না ফৌরম্বা ফি-রোলশিং অদু মৈ ওকথোক্লে। খুন লান্না অহিং য়ারেক্তুনা থবক চৎলুবা হল্লকপদা য়ূমদা চঙদ্রিঙৈদা মৈ ওকথোকপা ঙসি ফাওবা চৎনরি। লুহোংবগী থৌরমদা বর অদুবু কন্যাগী থোঙ্গালদা মৈরা চুখৎতুনা ওকই। অসুম্না কন্যা অদুসু নুপা ময়ূমদা থিল্লকপা মতমদা শুমাং মতোন্দা মৈরানা ওকপগী থৌরম য়াওই। মমা অমনা থবক চৎলুরগা হল্লকপদা ময়ূমদা লৈহৌবা মচাবু মবুক পীথক্লমদাইদা খোম লাইওক্লদুনা মখোঙ হামদনবা হায়দুনা মৈ ওকপসি মমা অমগী কাউফদ্রবা মথৌ অমা ওইজৈ। মরুপ মপাংশিংগা চাকচা হৈজানবা চামিন থকমিন্নবা মতাংদা মশা মশাগী চাকলুক অদু য়ূমথোঙ লান্না চাক পুবা মতমদা চাক হাপ্লিবা পুখম অদুদা মৈতান অচাকপা হাপ্লে। মৈদা পোৎলোইবগী চৎনবী লৈবা ঐখোয়গী খুন্নাইনা অশিবদু মৈ থাদোক্ত্রিঙৈদা মোংফমদা থল্লগা ইমুং মনুং মরী মতাশিংনা খূত্তা মৈহুম পায়রগা তরেৎলক কোয়বগী চৎনবী লৈ। পোৎলোইবা য়াওরুবা মীওইশিংনা শেৎলু চারুবা ফিরোল পূম্নমক ঈশিংদা তূমথোকপগা লোয়ননা ইরুজথোক্লগা মৈ ওকথোকই। লৌ য়ৈরুরগা কৈদা ফৌ হৈজিল্লমদাইদা খোইজু লৈখাম মৈ থারগা ওকথোকপনা ফত্তবা পূম্নমক কোকথোক চামথোকই হায়না থাজনৈ।

মৈতৈশিংনা লাইনিংথৌ সনামহী ইমা লৈমরেন শিদবীদা নুমিৎ খুদিংগী য়াচঙবা মতমদা মৈরা থাওমৈ কত্তুনা থৌনিজবসি কায়ফদ্রবা অমা ওইদুনা লৈরি। চহী খুদিংগী ৱাকচীংগী তরানিথোইনি পানবা নুমিত্তা ইমা ইমোইনু লাইরেম্বীগী মফমদা মৈরা চাম্মনিপান কত্তুনা থৌনিজৈ। শজিবু চৈরাওবা নুমিৎকী নুমিদাং য়াচংবদা খোইজু লৈখাম লশিং মরূ, হঙ্গাম মরূ মৈ থাদুনা তীনমু লাইমু তাম্থোকই।

নুমিদাং অমম অথেংবদা মৈ পুরগা চৎলবদি লাইমু, তিনমু, তম্নলাইনচিংবা ফত্তবদগী ঙাকথোকই হায়বগী থাজনবী লৈ। ককচীংদা নুপী চেনবগী মতাং লাকপদা নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংদা নুপা ময়ূমলোমগী নুপা অহুম্না থাউমৈ পুরগা পাউ হন্দোকপা চৎলি। মৈরা থাগী নুমিত্তগী হিয়াঙ্গৈগী থানিল ফাওবা তম্পাক লমগী শুমাংদা য়ুংবা মৈরা থাওমৈবু য়েংজরগা চীংদা খুন্দারিবা ময়াম্বনা কয়াগী মতিক নুংওঞ্জবা। চীং-তম অমত্তনি তোঙান্দে তাক্লিবা মৈরা থাউমৈনি। মৈহুম মোরোক হায়বসি মতম অমগী মণিপুরী খুন্নাইদা পাউজেল পান্বে অমা ওইরম্মী। কৈ মরাং কায়না লৈবা লমদম অমা ওইরম্বনা খুল্লক্তা কৈ চঙদুনা খুদোংথীবা তোয়না নংলম্মী। অসিগুম্বা মতমদা মীয়াম চঙদুনা কৈবন চল্লগা ফাবগী থবক চথুরম্মী। কৈ চঙলক্লে হায়বসি মীয়ামদা খঙহন্নবা মৈহুম অমদি মোরোক পায়রগা চেল্লম্মী। ইমা কৈথেলগী লুকমায় পানবী ইমা ইবেলশিংনা কৈথেল কূল্লকপা মতমদা খূত্তা উচান মৈরা নৎত্রগা পোদোন পায়দুনা অমন্ববু কোকহনবা নুংশিরবা শক্তমনি। লমদম অসিগী চফূ শাবা, য়োৎশুং য়োৎশাগী থবক্লা মপূং ফারম্বসু মৈগী মপান্ননি। হীরম খুদিংমক্তা ইয়াওদা য়াওবা খান্বী মৈনি।

লাইবক থীবদি লাইনি হায়বদা য়েৎননীংঙাই ওইদ্রবা মৈ অবু কনাগুম্বা খরনা অরানবা লন্বীদা শীজিন্নবগী থৌওং চথুরি। হিংনবগী পান্বেনি হায়রবসু মহুৎ শিনবা য়াবা থৌরাং ৱাৎপনা লম্মে থাবগী থবক লেপ্তে। মসিনা মহৌশাগী খলদা কয়াগী মতিক অকায়বা পীরিবনো। মণিপুরদদি থোক্ত্রি, অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা অউনপোৎকা মরী লৈননা কেরোসিন হৈজিল্লগা নুপীবু মৈ থাবগী থৌদোক লৈরি। শাথীবা ৱাখল য়াওদবা থৌদৌনি, তাইবঙবু য়োকপীরিবা লৌবুক্তা তূমিন্না লৈজবা ফৌবৈ অহুম/মরি মৈ থাবীখিবদুসু। মখোয়দা ইমা ফৌওইবীনা ৱারৌরমগদবদো! খান্বী মৈত্রেং অরাবনসু ***নঙ নঙকো!*** হায়না খুদুম শীংলমদৌ মাল্লি। মরম চাদনা মৈ থাবা য়াদে হায়বৈ ৱাদি ৱাকচীং থাদা ফি মৈ চাকহৈদে ফাওবা হায়নরিবনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

‘বি জে পি লৈঙাক্লা ঙরাংগী থৌদোক্কী মতাংদা খন্থহন্নিংই’

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনার্দ সাংমা লাকপদা হরাউ তয়াম্না ওক্লবগীদমক লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরগা ঙরাং নুমীদাং ক্লাকৈথেলদগী কৈশামপাৎ ফাওবগী লন্বীদা এন পি পিগী ফিরাল থেৎপগী থবক তৌরিবা ৱার্করশিংদা অমদি গাড়ি দ্রাইভরদা বি জে পি য়ূথকী ফোর্সনি হায়বা মীওই খরনা গাড়ি ৭/৮দা লাক্তুনা ৱার্কর খরনা সঙাই এক্সপ্রেস ওফিসকী মমাংদা ফিরাল থেৎপা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা ফু চৈবগী থবক অমদি গাড়িশিংবু অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ, এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

এল জয়ন্তকুমারগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক পায়বদা য়াওমিন্নরিবা পার্টি অমগী এম এল এগী মীওইদা অসিগুম্বা থবক অসি বি জে পিগী লুচিংবশিংনা কুপ্না য়েংশিনবিয়ু। ঐহাক্কী ৱার্করশিং অমদি দ্রাইভর য়াওনা ফুবগীদমক মশানা মরাল য়াজবগী মহুৎতা সোসল মীদিয়াদা ওন্ন-তৈননা ভারতিয়া জনতা য়ুভা মোর্চাগী মীওইশিংনা ফ্লেগ থেৎলিঙৈ মতমদা এন পি পিগী এম এল এ, এল জয়ন্তকুমারগী ৱার্করশিংনা নোংমৈ নমদুনা বি জে পিগী ফিরাল থেৎপা য়ারোই হায়রকপা অসি নুংঙাইতে লান্না থাগৎলকপা অসি তৌবিগনু।

থৌওং অসিদি য়াম্না হেনমল্লি। মীয়ামদা ঐগী মীং শীজিন্নদুনা লান্না লৈবাক মীয়ামদা শন্দোকপা অসি য়াম্না লানবা থবকনি। তুংগী য়ুম্বিরেলনি হায়রিবা নহাশিংনা অসিগুম্বা থবক চৎথরকপা অসিনা তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বদা অকিবা অমা ফাওই। অসিগুম্বা অরানবা মওংদা লৈঙাক পায়বগী পৱার অদু লান্না শীজিন্নরক্লবদি লৈবাক্কী অফবা খক ওইরোই হায়খি।

সগোলবন্দ এ সীদা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপদা থিন্থহনবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা চঙশিন্দুনা লাকপনি: আর কে ইমো

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): চাওখৎ থৌরাং অমদি অৱাৎ অপা কয়াসি মেনশিন্দুনা চাওখৎ খোঙথাংদা থিন্দনবা হোৎনবগী পান্দমদা চঙশিন্দুনা সগোলবন্দ এ সীদা হোৎজখিগনি হায়না এম এল এ আর ইমোনা ফোঙদোকখ্রে।

ময়ায়কোইবী মমাঙ লৈকায় দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী নৌনা শাবা ক্লবকী মীতিনশঙ অমসুং লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা পাখঙবা হুয়েল লালোং সিন্দমশঙগী নৌনা শেজিন-শাজিনবা শঙলেন অনী অসি সংকাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম এল এ আর কে ইমোনা হায়খি, সগোলবন্দ এ/সীদা শেমগৎ শাগৎপা, চাওখৎ থৌরাং পায়খৎচবা অসি মীখলগা মরী লৈননা পায়খৎপদি নত্তে। কেন্দ্রগী মীহুৎ অমা ওইনা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা লৈহন্দনবা হোৎনজবনি। মসিদা ঐগী মী, মাগী মী হায়বা খায়জদনা মীয়ামগীদমক্তা হোৎনজবনি। অদুগা মসিদা চিথি-নান্থবা কয়া লৈরবসু কম্মিটি-কম্মিটি শেমদুনা মখোয়না য়েংশিল্লগা অৱাৎপা শেমগৎ-শাগৎপা কয়াসিদা চথজবনি। অদুনা ঙসিদগী ময়ায়কোইবীগী ওইবদসু কম্মিটি শেম্লবা মরম্না মীয়াম্না তৌহন্নিংবা পায়খৎহন্নিংবা কয়াসু হায়বীরকউ।

অদুগা হৌজিক মীখল নকশিল্লক্লবনিনা মীয়াম্না লেপ্লীদুনা এ সী অসিগী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎকদবা অমদি থবক তৌরক্কদবা খল্লগা মীয়াম্না ভোট পীবিয়ু। থংনরিবা কেন্দ্রশিংগা চাংদম্নবদা হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা কেন্দ্র ওইনা হোৎনজবনি। য়ারিবমখৈ মীয়ামগা পূন্না খুৎশম্নদুনা শমজিন্নদুনা চঙশিঞ্জবা অমসুনি। অদুনা ময়ামগা এম এল এগা লোয়নরগা চৎমিন্নবা য়াবা মীদা ভোট পীসি হায়খি।

পাখঙবা হুয়েল লালোং সিন্দমশঙগী নৌনা শেমজিন শাজিল্লিবা শঙ অসিগীসু ফ্লোরিং অমসুং ফেনশিং অসিসু ঐহাক্লা তৌজবগী মরমদি, য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা থাঙ-তাগী মশান্না অসিবু ঐহাক্লা য়োকখৎনবা হোৎনবদা অঙন্বা মতেং পাংজবনি। সগোলবন্দ এ সীগী মনুংদা থাঙ-তা তম্ফমশঙ অমা লৈবা হায়বসি চাওথোকপা পোকচৈ হায়খি।

থৌরম অসিদা এম এম এল দি এগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম হেরামনিনা থৌরম মপু ওইখি। আই এম সী ৱার্দ নম্বর-১০গী হান্নগী কোর্পোরেটর সলাম তিকেন, আই এম সী ৱার্দ নম্বর-৭কী হান্নগী কোর্পোরেটর আর কে জিতেন, এম এম এল দি এগী এদভাইজর কোংখাম ভিমোনা মীথুং ওইখি।

ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): সাহিত্য থৌপাং লুপ (শাথৌ লুপ)না চহী খূদিংগী পাঙথোকপা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিভেল চহী অসিগী ওইনা নভেম্বর ২৪, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মণিপুর প্রেস ক্লবতা হৌদোক্লগনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসি নভেম্বর ২৫দা হৌদোক্লবা লেপখিবনি। অদুবু খুদোংচাদবা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু লাকপা মরম্না থা অসিগী ২৪দা হৌদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রো: এন রাজমুহোননা চীফ গেষ্ট, মহারাষ্ট্রদগী লাকপা শক্লাইরবা মরাঠিগী অইবা প্রফুল সিলেদারনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী চ্যেরমেন শরতচন্দ্র থিয়ামনা প্রসিদেনট ওইগনি।

ফেষ্টিভেল অসিবু হৌদোকপগী মপূং ওইবা থৌরম শৈরেং অমসুং ৱারীমচা পাথোকপা, পেনা অমসুং ৱারী লিবগী থৌরম্না মপূং ওইগনি। হায়রিবা থৌরম অসি সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখ্রবা আর কে ভুবোনসনা চ্যের লৌদুনা হৌদোক্কনি।

চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মহারাষ্ট্রগী শক্লাইরবা অইবা প্রফুল সিলেদার অমসুং মনোজ-রুপ্রাগা লোয়ননা ছত্তিসগরদগী কৈলাস বনৱাসি অমসুং রাজকুমার সোনি হয়েং ইম্ফালদা থুংলরগনি হায়রি।

নোংথোম্বম তুশার শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): গোৱাদা পাঙথোক্লিবা ৫২শুবা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা ইনভাইট তৌরকপদগী মণিপুরগী নোংথোম্বম তুশার শরুক য়ারি হায়রি। ফেষ্টিভেল অসি ৭৫ য়ং ক্রিএটিভ মাইন্দসকী শরুক অমা ওইনা মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলকপা ফিল্ম আর্টসকী তুংগী য়ুম্বী শেমগৎপগী অচৌবা খোঙথাংনি। এন তুশার (২৫) চহী অসিগী লাদাখতা পাঙথোকখিবা নেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদসু বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিগী এৱার্দ ফংখি।

ডা. কোনিকাদা বেষ্ট এদ্যুকেটর ২০২১গী এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): অজাদি কা অমৃত মহোতসব থৌরমগী মনুং চন্না ইন্টরনেসনল ইন্টর্নশিপ য়ুনিভর্সিটি অমদি ইন্টরনেসনল কাওন্সিল ফোর এদ্যুকেটর্সনা পূন্না শীনখিবা গ্লোবেল এদ্যুকেসন সম্মিট এৱার্দস অমসুং কনভোকেসন-২০২১গা মরী লৈননা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ কোর্পোরেট এফেয়র্স গুরগাউদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ডা. কোনিকা খুরাইজমদা বেষ্ট এদ্যুকেটর-২০২১ এৱার্দ অদু পীরকখিবনি।

এৱার্দ অসি এদ্যুকেসনগী লম্দা মহাক্লা কোভিদ-১৯গী ৱানরবা মতমদা মহৈরোয়শিং অমদি কম্যুনিটিগী থাক্তা মতেং পাংখিবা কয়া অদুবু শীংথারদুনা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি।

ডা. কোনিকা খুরাইজম হৌজিক হৌজিক দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ইম্ফালদা এসোসিএট প্রোফেসার ওইবদা নত্তুনা ঘড়ীদা লৈবা কিদস ফাওন্দেসনগী ওনররি এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনসু থৌ পুরি।

মহাক্কী পুন্সিদা হৌখিবা চহীশিংদা তোঙান তোঙানবা মশক থোকপা থবক কয়া তৌখিবগীদমক্তসু এৱার্দ কয়া ফংখবা লৈখ্রবনি।

পেট্রোল, দীজল অমদি গ্যাসকী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা কেম্পেন চথখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): পেট্রোল, দীজল অমদি চাকথোঙ গ্যাসকী মমল য়াম্না হেনগৎলকপগী মায়োক্তা জন জাগরন অভিয়ানগী মনুং চন্না মীয়ামগী ওইবা এৱ্যেরনেস কেম্পেন অমা খোংমনগী এ সীগী জোন-টুদা ঙরাং হৌদোকখ্রে।

থোংজু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা পি সী সীগী সেক্রেটরি প্রেশয়োজিৎ শংলাকপমগী লুচিং মখাদা চথখিবা কেম্পেন অদু এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট তোংব্রম মঙ্গিবাবুনা লুচিংদুনা হৌদোকখি। এৱ্যেরনেস কেম্পেন অসি খোংমন জোনু-টুদগী হৌরগা পূন্না গ্রাম পঞ্চায়ত ৭তা কোয়না চৎকনি হায়রি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না নোংমগী মনুংদা গ্রাম পঞ্চায়ত ২/২ শীনবা থুংনা চৎকনি হায়নসু এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট মঙ্গিবাবুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। খোংমন জোন টুদগী চথুবা হৌখিবা পব্লিক এৱ্যেরনেস কেম্প অদুদা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি জিতেননচিংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯒꯅꯔꯤ/ইংখোল য়োঙ্গরি

Bamon Leikai Telsuba Leirak তা লৈবা 118×27 পাকপা চাওবা অপূনবা Square Feet 3186 অসি পাক্কা ফেন্সিং ওইরবা অমদি Iron গী Gate য়াওরবা অসি য়ূম য়াওনা য়োঞ্জরি।

Contact No : 8974692966
8732014950

HL-P/0708/23

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR

Ref. Mut. Case No. 607/AS & SO/TBL **Dt. 18/11/2021**

1. Ningthoujam Lalhari Singh S/o (L) Kulla Singh of Thoubal Achouba
2. Ningthoujam Raghumani Singh S/o (L) Kulla Singh of - do -

- Applicant

-VRS-

(Late) Ningthoujam Kulla Singh S/o (L) Kanhai Singh
of Thoubal Achouba - Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
22-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি থৌবাল তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ২৮ থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ২৪৪ (অরিবা) ৪০৬ (অনৌবা) দাগ নং ৪১৫২ এরিয়া .৫৭৪৭ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মচাশিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা-মশুশিংনা য়েৎকদবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি অমসুং ওবজেক্সন তৌবগী মরম পীদুনা অইবা চেনা উক্তা কোর্ট AS & SO/TBL দা এপ্লিকেসন তৌবা য়াগনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/0710/23

[illegible] **ADMISSION OPEN** [illegible]

PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-2/12

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, PATSOI

Ref. Mut. Case No. 591/SDC/IW (P) of 2021

Shri Ahongsangbam Mangi Singh S/o (Late) Manglem Singh
of Yurembam - Petitioner

-Vs-

Late Shree Ngathem Shakhi Devi W/o (Late) Gulap Singh
of Yurembam - O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
22/11/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর 79-Yurembam গী পাট্টা নম্বর 150 (Old) 806/1036 (New) দাগ নম্বর 530/710 গী পোইন্ট .04722 একর চাওবা ইংখোলগী পোইন্ট .04722 একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 30-11-2021 ইংগী অয়ুক পূং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/0709/23

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ/খ্বাং অমদি পুকচেপ য়াম্না কন্না নারগা অমাংবদা ঈ য়াওরকপা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবসু য়াওবা, খোং হাম্নিংবা মতমদা খরা ঙমদবা, খঙহৌদনা হেক্তা হামদোকপা খোং হান্বা মতমদা অমাংথোং মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা নান্থরকপা, খোং হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, খোং হান্বা চঙবা মতদা অকনবা ওইনা হান্নগা অমাংথোং মপান্দা তৎলগা য়াম্না নাবা ফহনবগী ওজা জিয়া-উল-হকপু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খ্বাং অমদি পুকচেপ য়াম্না কন্না নারগা অমাংবদা ঈ য়াম্না য়াওরকপা, মনাংসু য়াম্না য়াওরকপা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপসু য়াওবা, খ্বাং অমদি পুকচেপ নারগা অমাংবদা ঈ য়াওরকপা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা অদুসু ফখিবা, খোং হাম্নিংবা মতমদা কুইনা খাংবা ঙমদবা, খঙৈহৌদনা হেক্তা হামদোরকপা, ঙা-শা চাবা য়াদবা, চারগা অমাংথোংদা নুংঙাইতবা অমদি অমাংথোংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খ্বাং নাবা অমদি পুকচেপ নাবা হৌরকপা, খোং হান্বা মতমদা অমাংথোং মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোং হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, মতম খরগী মতুংদা খোং হান্বা মতমদা তাংমুক শাংনা নান্থরকপা অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোং মপান অকোয়বদসু চাউথোরকপা, চান্বা মতমদসু নান্থরগা অমদি চৎপা মতমদসু নান্থরকপা, খোং অহানবা হান্নকপা মতমদা অহানবা থোক্লকপদা অকনবা ওইনা থোক্লক্লগা অমাংথোং মপান্দা খেতৎলগা থোক্লকপা, য়াম্না চিকপা অমদি নাবা, কোন্না থোক্লকপা অমাংবসু অথোৎপা ওইনা থোক্লকপা, খোং হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা, অহানবা হান্নকপা খোং অদু অকনবা ওইনা থোক্লকপা অদুদা ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবী : **Kh. Bembem Devi**
Kongba Uchekon

HL-B/7295/23

ꯁꯦꯟꯈꯥꯎ/MONEY BAG তাহৌরে

হৌখিবা তাং ২৭-১০-২০২১দা য়ূমদগীনা লমশাং বাজার ফাওবগী মনুংদা ঐগী Money Bag অমা তাহৌরে, Bag অদুদা ঐগী Service Card, Aadhaar Card, Voter ID Card অমদি পৈশা ওইনা লুপা ২,৪০০ য়াওখি। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাগী Contact নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Sd/- **Ahanthem Shyamkeshor Singh**
Lamsang Makha Leikai
# 8974220139

HL-P/0706/23

[illegible]

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

Sl.	Name of Post		Salary	Post	Qualn.
1.	**Direct Selection & Joint for Airport Job Vacancy of Delhi, Bangalore, Hyderabad & Imphal (Semi Govt. Job)**				
	i. C.S.A. Officer (M/F)		40,000 – Above	5	G/M
	ii. Trainee Executive(M)		20,000 – Above	2	G/M
	iii. Ground C.S.A. Staff(M)		20,000 – 30,000	20	XII/G
	iv. Meet Asst. Staff/Ground Staff(M/F)		15,000 – Above	15	XII/G
	v. G-Loader/Cargo Loader(M)		20,000 – Above	20	VIII/X
	vi. Air Hostess/Cabin Crew(F)		65,000 – Above	5	XII/G
2.	**Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank.**				
	i. Banking Sitting Staff (M/F)	25 yrs	18,000– Above	15	G
	ii. Account opening Staff (M/F)	26 yrs	14,000– Above	15	G
	iii. Loan Officer Staff (M/F)	30 yrs	14,000– Above	20	G
	v. Credit Card Staff (M/F)	28 yrs	8,000– Above	5	XII/G
	vi. Phone Banking Staff (F)	28 yrs	10,000– Above	5	XII/G
3.	**Urgent in Imphal Post Vacancy.**				
	i. Office Receptionist(F)		4,500 – Above	3	XII/G
	ii. Security Guard/Ladies Guard(M/F)		6,000 – Above	10	VIII/X
	iii. Ex-Servicemen/ Security Sup(M)		8,000 – Above	10	VIII/X
	iv. Security Gunman Guard(M)		10,000 – Above	10	VIII/X
	v. Micro Finance R.O.(M)		5,000 – Above	20	X/XII
4.	**No deposit work at Imphal**				
	i. Office Managerial Staff(M/F)		8,000 – Above	50	X/XII
	ii. Computer Instructor		7,000 – Above	2	MCA
	iii. Bank Manager(Wabagai/Kakching)		10,000 – Above	2	G/M
	iv. Computer Operator (Degsn. Flex)		7,000 – Above	3	XII/G
	v. Chowkidar and Helper(Couple)		10,000 – Above	2	VIII/X
	vi. Handyman /Helper (M/F)		5,000 – Above	10	VIII/X
	vii. Micro Finance R.O (M/F)		5,000 – with inse	3	X/XII
	viii. Local Driver (407 TATA/D.I.)		10,000 – Above	2	VIII/X
	ix. Farm Assistant(M/F) (20 – 50 yrs)		5,000 – Above	2	VIII/X
	x. VIP Driver		7,000 – Above	3	X/XII
	xi. Housekeeping/Showroom Car Wash		6,000 – Above	5	VIII/X

Date of Submission : 02-12-2021
Date of Interview : 03-12-2021
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/0632/15,18,23,25,30

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।